## য়ুপি গী এসেমব্লি সিট ১১ দা কেন্দিদেট ৪০ না নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে

**লক্ষ্নৌ, আগষ্ট ২৭ ঃ** উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি ১১ দা পাংথোক্কদবা বাই ইলেক্সনগা মরী লৈননা কেন্দিদেট ৪০ না নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী পাউ মতুংইন্না লক্ষ্নৌ ইষ্ট এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীওই ৯ না কেন্দিদেট ওইনবা নোমিনেসন ফাইল তৌখি। কাওশম্বী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হমিরপুর অমসুং সিরাথু কন্সটিটুয়েন্সিদসু মীরেপ কয়ানা নোমিনেসন ফাইল তৌখি। বরানসিগী রোহানিয়া কন্সটিটুয়েন্সিদা মীওই ৫ না মীরেপ চে পীশিল্লকখি। অদুগা সহরানপুরনগরদনা মীরেপ ৪ না নোমিনেসন ফাইল তৌখি হায়রি।

বিজনোর, হকুরদ্বারা অমসুং নোইদাদা মীরেপ অনি অনিনা নোমিনেসন ফাইল তৌখি। অগষ্ট ২৫ ফাওবদা মীওই ২৭ না মখোয়গী নোমিনেসন পেপরশিং পীশিল্লকখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা নোমিনেসন তৌরকখিবা মশিং ৬৭ শুখ্রে। চৈরকসিদা মেনপুরিদা কেন্দিদেট ৩ না নোমিসেন পেপরশিং পীশিল্লকখি। মদু থারগা কন্সটিটুয়েন্সি অদুদা মীরেপ চে পীশিল্লকখিবা কেন্দিদেট ৪ শুরে হায়রি।

## কন্সটিটুসন্না পীবা হক্কী মতুংইন্না ক্রিমিনেলগী চার্জ মায়োক্লরিবা মিনিষ্টরশিং দিসক্কালিফাই তৌ হায়বা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে

**নিউ দিল্লি, আগষ্ট ২৭ ঃ** সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ক্রিমিনেল কেস কয়া পন্থদুনা লৈরিবা অদু উশিল্লু হায়বা য়াদবগা লোইননা অদুগুম্বা কেসশিংদা চেন্নবা মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রবা মীওইশিং দিসক্কালিফাই তৌ হায়বা য়াখিদ্রে। অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা ফোংদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং চিফ মিনিষ্টরশিংনা মখোয়দা পীরিবা কন্সটিটুসনগী হক শিজিন্নদুনা ক্রিমিনেল বেকগ্রাউন্দ লৈবা মীওইশিং মিনিষ্টর ওইনা খল্লোইদবনি হায়না ফোংদোকখ্রে।



সুপ্রিম কোর্টনা মখা তানা হায়খিবদা ইন্দিয়ান কন্সটিটুসনগী মনুংদা লৈরিবা নিয়মশিংগী ৱাংমদা খল্লবা মিনিষ্টরশিং দিসক্কালিফাই তৌবা ঙম্লোই। লোইননা কন্সটিটুসন্না পীবা হক্কী মতুংইন্না ক্রিমিনেলগী কেসতা হকচিন্না চেন্নবা নত্রগা করপ্সনগী মরালগা মরী লৈননা কেস পন্থদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মিনিষ্টরগী ফম পীরোইদবনি হায়রি।

জজ মঙানা শাবা চিফ জুদিসিয়েল ওফ ইন্দিয়ানা লুচিংবা বেঞ্চ অদুনা মনোজ নারুলানা থারকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমগী ৱায়েলদা ৱাফম অদু ফোংদোকখিবনি। হৌজিক লোক সভাগী মেম্বর ওইরিবা মীওই ৫৩ দি ক্রিমিনেলগী চার্জ মায়োক্লরি। মদুদা কোর্ট অদুনা হায়বা ঙম্বদি অদুগুম্বা মীওইশিং অদুবু মিনিষ্টর ওইহনবা হায়বদু প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ষ্টেটশিংগী চিফ মিনিষ্টরশিংনা মখোয়গী অনিংবগী মতুংইন্না লেপকদবনি। অদুগুম্বা ক্রিমিনেলগী চার্জ মায়োক্লরিবা মীওইশিং অদু প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং চিফ মিনিষ্টরশিংনা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলদা য়াওহল্লোইদবনি হায়না ফোংদোকখি।

জষ্টিশ দিপক মিস্রা, মদন বি লোকুর, জোসেফ অমসুং এসকে পোপলে না শিংথানিংঙাই ওইরবা রায় অদু ঙসি লাওথোকখি। মমাংদা কেস অদু জজ অনিনা শাবা বেঞ্চ অমনা তোঙান তোঙানবা মত ফোংদোক্লমখিবা লৈখি। চেনা ১২৩ পানবা রায় অদুদা জষ্টিশ দিপক মিস্রনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী ওইবা ইন্টরেষ্টতা থবক তৌগদবনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাখলদা অদুগুম্বা কেস অদুদা চেন্নরিবা অমদি কেস মায়োক্লরিবা মীওইশিং ইহোৎকখিগদবনি। নত্রগা কন্সটিটুসনগী নিয়ম মতুং ইন্না মখোয় তাম্থোকখিগদবনি। লোইননা কন্সটিটুসনগী থাজবা হন্থহল্লোইদবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা লৈবাক অসিগী অথিংবশিং খক্ত নত্তনা কন্সটিটুসনগী ওইবা থাজবা ৱাখল্লোন অদুদা মহাক্কী মীৎয়েং থমগদবনি। ইন্দিয়ান কন্সটিটুসনগী আর্টিকল ৭৫(১) গী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তবু অকক্লনা দিসক্কালিফাই তৌবা য়ারোই। অদুম ওইনমক আইন্না য়াবা অমদি মীয়াম্না য়াবা মওংদা মিনিষ্টর অমসুং কাউন্সিলগী মিনিষ্টরশিংগী খ্বাইদগী অশেংবা মওংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাশক লৌগদবনি। মদু কন্সটিটুসন্না পীবা ৱাফমনি। কন্সটিটুসন্না প্রাইম মিনিষ্টরদগী আশা তৌরি। লেমহৌরিবশিং অদুদি প্রাইম মিনিষ্টরগী অপাম্বা মতুংইন্না চথগদবনি। ৱাফম অসিগী মতুংদগীদি করিসু হায়নিংঙাই লৈত্রে হায়নসু বেঞ্চ অদুনা ফোংদোকখি।

জষ্টিশ কুরিয়ান জোসেফনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ষ্টেট অমগী চিফ মিনিষ্টরনা মহাক্না খ্বাইদগী থাজবা কন্সটিটুসনগা মরী লৈনবা মীওইনি হায়না খনবা অদু খক্তমক মিনিষ্টর ওইনবা ৱাশক লৌবা তঙাইফদে। মদু নৎত্রবদি অদুগুম্বা মীওইশিং অদু লৌথোকখিনবা খঙহনগনি। পিপলস রিপ্রেজেন্টেসন এক্ট ১৯৫১ গী মতুংইন্না মহাক্কী পুক্নিংনা য়াবা ক্রিমিনেল কোর্ট অমদা কেস মায়োক্লদ্রিবা মীওইশিং খক্তমক খন্দুনা থবক তৌহনগদবনি হায়খি।


## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –৫৯

*ঙরাংগী মখা...*

***চৌরজিৎ (খৃঃ ১৮০৩–১৮১৩)***

*খৃষ্টাব্দ ১৮১৩ লমতা ৬ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মধুচন্দ্র মহারাজগী মজাইবুঙো পীতম্বরনা লুচিংবা মৈতৈ লান্মীনা হৈরোক্তা লানবন শাদুনা লৈরিবা ঔৱাগী তেঙ্গোলগা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা লান থেংনবদা নহা ওইরবসু মথৌনা লৈরবা পীতম্বরনা শগোল তোংদুনা মখুত্তা থাঙশাং পায়রগা অকনবা লান থেংনবদা সমসোক নিংথৌ হাত্তুনা ঔৱা লান্মী চাইখায়রে, মমায় লৈদুনা চেনখ্রে। ককচিং খুলেন ময়াদা লানবম শারিবা মারজিৎনা লুচিংবা ঔৱা তেঙ্গোলনা চৌরজিৎ মহারাজনা লুচিংবা মৈতৈ লান্মীগা নুমিৎ তরামাথোয়নি চুপ্পা অকনবা লান থেংনরে। মারজিৎকী মখুত্তা চৌরজিৎ মহারাজ মায়থিরদুনা মৈতৈ লান্মী ময়াম হুন্দোক্লম্লগা কাছার তান্না চেনখিদুনা কাছারগী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রদা তেংবাংবীয়ু হায়জবদা য়াবিদ্রবদা চৌরজিৎ নিংবা কায়দুনা জয়ন্তিয়াদা লেংশিনখি। মফম অদুদা গোবিন্দচন্দ্রগা য়েক্লবা রামসিংহ অমসুং তুলরামগা লৌতুনদুনা কাছারদা লান্দানবা হোৎনখি। চৌরজিৎনা লাইশ্রম চনু খোঙনাং লান্থবী অমসুং মহারানী ঙাংবম চনুনচিংবী নুপী ৫০ পান্নে। নুপী ৪০ দি শোইনাইদে (মচানুপা পোক্তে) লাইশ্রম চনু খোংনাং লান্থবীনা সনাহল প্রসাদ পোকই। লাইরিকয়েংবম চনু পান্নদুনা মজাইবুঙো রনজিৎ সিংহ (সনা চহি অহুম) পোকই। সলাম চনু পান্নদুনা মচানুপা ধর্ম্মসেতু পোকই। ঙাংবম চনু পান্নদুনা মচানুপা কেশোরজিৎ পোকই। খুম্বোংময়ুম চনুনা সনা ত্রিভুবনজিৎ, খুম্বোংময়ুম চনু য়ায়মনা সনা রামসিং, খুম্বোংময়ুম চনু নাহানা সনা তিলান্তাবা অমসুং মচানুপা নদিয়াচান্দ পোকই।*

*মথং মথং .......*


## ঝরখন্দ মাওইষ্টকী খ্বাইদগী পাম্না থিরিবা মীওই কটচ তগী ফারে

**অহমেদবাদ, আগষ্ট ২৭ ঃ** ঝরখন্দগী বন্ধারিয়া থানা এটেক তা চেন্নবা খ্বাইদগী পাম্না থিরিবা মাওইষ্টকী কাদর অমা কুটচ দিষ্ট্রিক্টকী মুন্দ্রা পোর্টতগী ঙসি ফারে।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাওইষ্ট) কী দেবেন্দ্র এলাইজ ভিসালজি অম্বিকা পাসৱান্ট ঘরৱা দিষ্ট্রিক্টকী বাওলিয়া খুঙ্গংদগীনি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দিএন পটেলনা ফোংদোরক্লি। মুন্দ্রা পুলিস অমসুং ক্রাইম ব্রাঞ্চ অমদি স্পেসিয়েল ওপরেসন গ্রুপকী অপুনবা খুৎপু অমনা মুন্দ্রা পোর্ট তা লৈবা পাসৱান্টকী ময়াম্বগী য়ুম অমদগী ফাখিবনি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোংদোরক্লি।

মাওইষ্টকী সব জোনেল কম্মান্দর অদু ইং ২০১২ গী জানুৱারী থাদা ঝরখন্দগী গারৱা দিষ্ট্রিক্টকী ভন্ধারিয়া পুলিসনা কোনবা মফম অমদা মাইন বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই ১৪ হাৎখিবা থৌদোক অদুদা পাসৱান্টনা লুচিংবা কাংবু অদুনা এন্টি নেসনেল ওপরেসন পুলিসনা শিজিন্নবা খুৎসু খুৎলায় কয়া লুৎ তৌদুনা পুখি হায়রি। চহি অদুমক্কী ফেব্রুৱারী থাদা পেত্রোলিং চৎপা পুলিস পার্টি অমদা এটেক চথদুনা মখোয়না পুরকপা খুৎসু খুৎলায় কয়া হুরান্দুনা পুখি। পাসৱান্ট ইং ২০০৩ দা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট সেন্টর ওফ ইন্দিয়াগী মেম্বর ওইনা য়াওখি। তুংদা পিপলস ৱার গ্রুপতা লৈদুনা পুলিসকী মথক্তা এটেক কয়া চথরকখি।

ইং ২০০৫ দা মী হাৎপগী মরালদা ঝরখন্দদা মহাক ফাখি। ইং ২০১১ দা বেলদা থাদোকখ্রবা মতুং মখা তানা মীওৎ মীনৈগী থবক কয়া চথরকখি হায়না ফোংদোরকখি। পাসৱান্টনা চহি অনি চুপ্পা জঙ্গলদা লৈদুনা মনাক নকপা মফমশিংদা শেলগীদমক থবক কয়া তৌরকখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী মথক থোংবশিংনা মহাকপু মখোয় মশাগী নুংঙাইনবগীদমক শিজিন্নে হায়বা খঙলকখি। মদুনা মরম ওইরগা আইন্না য়াদবা মাওইষ্ট কাংবু অদুদগী পোত্থারগে হায়না হায়জখিবা লৈখি হায়নসু এসপি পটেলনা ফোংদোরক্লি।

পাসৱান্ট অনিংবা অমগী মখাদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট সেন্টর ওফ ইন্দিয়াদা য়াওদুনা থবক তৌবা হৌখি। অদুম ওইনমক মখোয়গী লুচিংবশিংনা মশাগী য়েংদুনা মহাকপু শেনখায় থুমখায়গী থবক্তা শিজিন্নখি হায়বা কায়নথংদা খঙলকখিবনি হায়রি।

## আইএস আইএস তা য়াওখিবা ইন্দিয়া মচা অমা সিরিয়াগী লানদা শিখ্রে

**কাল্যান, আগষ্ট ২৭ ঃ** মহারাষ্ট্রগী কল্যানদগী নুপামচা ৪ ইরাক্তা চত্তুনা আইএসআইএস য়াওখি। মখোয়গী মনুংদা অরিব মজিদ কৌবা নহা অমা সিরিয়াগী লানদা লৈখিদ্রে হায়রি।

সাহিম তানকি কৌবা আইএসআইএস তা য়াওনবা চৎপা খোঙচৎ অদুদা য়াওখিবা মীওই অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মজিদকী ইমুং মনুং অমদি মরী মতাশিংদা সিরিয়াদা থোকখিবা লানফম অমদা মহাক শিখ্রে হায়না খঙহল্লকখি হায়রি।

আইএসআইএস দা য়াওনবা চৎখিবা ৪ গী মনুংদা অরিব মজিদ সিরিয়াগী লানফম অদুদা লৈখিদ্রে। মজিদ হায়রিবা মীওই অদু নবি মুম্বাইদা লৈবা কালসেকর কলেজদা ইঞ্জিনিয়রিংগী অহুমশুবা চহিদা তম্বা ছাত্রনি। মহাক ইজাজ মজি কৌবা লমদম অদুগী ডাক্তর অমগী মচানুপানি হায়রি।

পাউগী লিখুল অসিনা ফোংদোরকপদা আইএসআইএস হায়বা কাংবু অদু ইরাক্তা শেমগৎপনি। অদুগুম্বা লুপ অদুদা য়াওননবগীদমক কাল্যান য়াওনা মীওই কয়া ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখিবা লৈখি। হিরম অদুগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল খঙননবগীদমক ইজাজগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং থিদুনা পাউ ফাওনবদা মহাক শিখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে হায়রি।

অদুম ওইনমক মজিদ কমদৌনা শিখিবনো হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি। মজিদ, তানকি, ফাহরস সাইফ অমসুং অমল তান্দেম চৎলিবা চহি অসিগী জুন ২৬ তা ইমুং মনুংগী মীওইশিং খঙহল্লমদনা ইরাক্তা লৈবা মুস্লিমশিংগী লাই খুরুম্ফমদা ধর্ম্মগী মতুংইন্না পাংথোকপা থৌরমশিং য়াওরুনবা চৎখিবনি। মখোয় ইরাক্না লিংখৎপা আইএসআইএস তা য়াওখিব্রা হায়বদু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনদি খঙবা ঙমদে হায়রি।

ইন্টলিজেন্সনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টরনা মমাংদা ইন্দিয়াদগী নহা কয়া আইএসআইএস য়াওননবা চৎখিবা লৈ হায়না ফোংদোকখি। মখোয় ইন্দিয়াদগী চৎখ্রে হায়বদি খঙখি। অদুম ওইনমক মখোয়না ইন্দিয়াদা অমুক হল্লকখিব্রা নত্রগা হল্লকখিদব্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমদে হায়না ফোংদোকখিবনি।

## লালু প্রসাদগী হার্ট সজরি পাংথোকখ্রে

**মুম্বাই, আগষ্ট ২৭ ঃ** রাষ্ট্রিয় জনটা দলগী লুচিংবা লালু প্রসাদ যাদব থম্মোয়গী লায়না অমনা নাবদগী পুং ৬ কী মথক্তা চংবা কার্দিয়াক সজরি অমা মুম্বাইগী হোস্পিটাল অমদা ঙসি পাংথোকখ্রে হায়রি।

লালুগী লায়না অদু এভিআর–এওর্টিক ভাল্ব শিন্দোকপা অমসুং হার্ট তম্না ঈ পুশিল্লক্লিবা শিংলি নাওরিশিং অদু তেংথোকপগা লোইননা মহাক্কী থম্মোয়দা মিলিমিটর ৩ লাওনা হোরিবা হার্টকী শরুক অদু মেনশিন্নবা সজরি চথখিবনি। মহাক্কী সজরি অদু পুং ৬.১৫ রোম চংখি হায়না এসিয়ান হার্ট ইন্সটিট্যুটগী মচিন চৎপা অমনা ফোংদোরক্লি।

হান্না বিহারগী চিফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মতম অমগী রেলৱে মিনিষ্টর লালু প্রসাদ অসি এওর্টিক ষ্টেনোসিস হায়রিবা লায়না অসি নারে হায়দুনা এসিয়ান হার্ট ইন্সটিট্যুটতা পুখত্তুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী লায়েংবা হৌরকখিবনি। ইন্সটিট্যুট অদুগী মকোকথোংবা ডাক্তর ওইরিবা ডাঃ রমাকান্ট পন্দানা লালু প্রসাদকী হার্ট সজরি অদু পাংথোকখিবনি। মমাংদসু হায়রিবা ডাক্তর অসিনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগী হার্ট সজরি চহি ৫ গী মমাংদা পাংথোকখিবনি।

লালুগী হার্ট সর্জরি অসি তৌনবগীদমক তোঙান তোঙানবা মেদিকেল টেষ্টশিং অমসুং লালুগী ওইরিবা হকচাংগী ফিভম কয়া অদু খল্লগা ওপরেসন তৌবা য়ারগদ্রা হায়বদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা লেপখিবনি। মরকসিদা আরজেদিগী লুচিংবশিং, লেজিসলেটরশিংগা লোইননা মহাক্কী য়াইফনবা খনবা কাঙবুনা পাটনাদা লৈবা রাষ্ট্রিয়া জনটা দলগী ওফিস হেদ ক্বার্টরসতা মীফম অমা পাংথোক্লবা ৱারেপ্লদুনা মহাক মশা অথুবা মতমদা নাবা ফরকপা ওই সনু হায়না ফোংদোক্লখি।

## ঈচাওনা শোকহনখ্রবা অসামগী মফমশিংদা ঈশিংনা পোকহনবা লায়নাশিং শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে



**গুৱাহাটি, আগষ্ট ২৭ ঃ** ঈচাওনা শোকহল্লবা অসামগী দিষ্ট্রিক্টশিং মরুওইনা দেমাজি দিষ্ট্রিক্টতা ঈশিংদগী পোকপা লায়না কয়া শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। চিফ মিনিষ্টর তরুন গোগোই অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সরবানন্দ সোনোৱালনা ঈচাওনা শোকহল্লবা অপ্পর অসাম অমসুং নোর্থ বেঙ্কশিংদা ঙসি য়েংশিনখ্রে হায়রি।

আসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ঙসি ফোংদোরকখিবদা ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা ঙসি নৌনা মীওই ২ শিখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু লক্ষিম্পুর অমসুং মোরিগাউন দিষ্ট্রিক্টতগীনি হায়রি। অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ কী মনুংদা লৈবা মীওই ১২,৬৫,৪৪৯ অৱাবা নংখ্রে। হৌজিকসু ব্রহ্মপুত্র অমসুং তুরেল অদুগী মশা মরেংশিং নিমাতিঘাট, গুৱাহাটি, তেজপুর, ধুব্রি, দিব্রুগর অমসুং গোলপারা দা খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি। লোইননা লক্ষিম্পুরগী চুবানশিরি, নগাউন অমসুং বরপেতাগী মফমশিংদসু খুদোংথিবা থাক্কী মথকক্তা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংনা চেল্লি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না চিফ মিনিষ্টর ওফিসনা ফোংদোরকখিবদা তরুন গোগোইনা ঙসি ঝোরহাট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ধেমাজি লোইননা লক্ষিম্পুরগী অৱাংথংবা ব্রহ্মপুত্রগী তুরেল তোর্ব্বানশিং ঙসি অয়ুক য়েংশিনখি। ৱাটর রিছোর্স রেভিন্যু অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টনা চিফ মিনিষ্টরদা ঈচাও নংলবা মফমশিং অদুগী অকুপ্পা ৱারোলশিং খঙহনখি। চিফ মিনিষ্টরনা ঈচাও নংলবা মফমশিং অদুদা য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুগা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ স্পোর্টস, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর মাজুলিনা য়েংশিনবা লাকখিবা খোঙচৎ অদুগা মতম অমত্তা ওইখি।

ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি ভুপেনকুমার বোরানসু লক্ষিম্পুর দিষ্ট্রিক্টকী বিহপুরিয়া এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা ওইরিবা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখি। লোইননা লুচিংবা অদুনা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী মাংখ্রবা লন থুম অমদি লৈখিদ্রবশিংগী কম্পেন্সেসন অথুবা মতমদা পীননবা ৱাফমসু ফোংদোকখি।

অসাম প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিনা ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চত্তুনা লমদম অদুগী মীয়ামগী খুন্দা লৈতাহন্নবা অমসুং অতৈ হিরম কয়াদা মতেং পাংখি। ধেমাজি দিষ্ট্রিক্টকী ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদগী লাকখিবা অমসুং হৌজিক হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা ঈশিংদগী পোকহনবা দাইরিয়ানচিংবা লায়না কয়া নাবা থেংনরে। চহি মঙাখক্তা ঙাইরিবা তোঙ্গানি মজগাও নিমোনিয়ানা মরম ওইরগা ধেমাজি সিভিল হোস্পিটালদা ঙরাং নুমিদাং লৈখিদ্রে। ধেমাজিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নর মোনালিসা গোস্বামীনা হায়, হৌজিক তুরেলশিংগী ঈমায় হন্থরক্লি। অদুম ওইনমক খুঙ্গং কয়াদি ঈশিংনা লাকশিন্দুনা লৈরি। ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংগীদমক হাংবা রিলিফ কেম্প ৫৯ দা মেদিকেল টিমশিংনা লায়েংবগী থবক চথরি।

ঝোহরাটকী দিপ্যুটি কম্মিস্নর সোলাঙ্কি ভিসালনা ফোংদোকখিবদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ঈমায় ঝোহরাট অমসুং মাজুলিদা হন্থরক্লি। অদুম ওইনমক লমদমশিং অদুদা তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্তা লৈরি। মাজুলিদা ব্রহ্মপুত্রগী ঈচেলনা তুরেল খোঙবান নিংখায়হনবা অমদি মহৈ মরোং থাবা লৌবুকশিংদা লৈঙোই হাজিনবগী খুদোংচাদবদি মায়োক্লরি।

অদুম ওইনমক মাজুলি অমসুং ঝোহরাটতা ফেরি সার্ভিস লৈহন্দুনা মীয়ামগী চখোক চৎশিন্দা খুদোংচানবা শিল্লি। ধুব্রি এদমিনিষ্ট্রেসন্না লমদম অদুদা হি না চখোক চৎশিন তৌবগী থবক পুন্নমক ঙসিদগী থিংজিনখ্রে। লমদম অদুদদি ব্রহ্মপুত্রগী ঈমায় হেনগৎলক্লি হায়রি। ধুব্রি ইনলেন্দ ৱাটর ত্রান্সপোর্টকী মতুংইন্না তুরেল অদুগী ঈমায় খুদোংথিবা চাংদগী হন্থরে হায়রি।

## রাজনাথ সিংহ অমসুং মচাগী মায়োক্তা থাগৎলকপা রিপোর্ট অরানবা ঙাক্তনি

**নিউ দিল্লি, আগষ্ট ২৭ ঃ** করিগুম্বা মহাক্কী ইমুং মনুং অমসুং মহাক্কী মায়োক্তা খ্বাইদগী হেন্না পীকপা মরাল অমা শিরকপা মতমদা মদুগী অচুম্বা প্রমান পীবা ঙম্বা তারগদি মহাক মশামক ফম থাদোক্কে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোংদোকখ্রে হায়রি।

মহাক্কী মচানুপা পঙ্কজ সিংহ অসি রাজনীটিগী লম অসিদা মমিং লৈহন্নবা হোৎনরে হায়না ফোংদোক্লককখিবা মতমদা মদু পোলিটিকেল সার্কলদগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপা ওইবা য়াই হায়না রাজনাথনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মহাক্না হায়রিবা ৱাফমশিং অদু প্রাইম মিনিষ্টর অমদি বিজেপিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহদা ফোংদোক্লুবা মতমদা অঙকপা অমা ওইরি হায়না য়াখিবগা লোইননা য়ুম্ফম য়াওদবা পাউনি হায়না ফোংদোরকখ্রে হায়নসু হোম মিনিষ্টরনা হায়খি।

হৌখিবা নুমিৎ ১০ –২০ নি অসিদা মহাক্কী মচানুপা পঙ্কজগী মতাংদা পাউনিলখোল কয়া অমা শন্দোরকপা থেংনরে। মসি য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম ঙাক্তনি অমসুং অতেনবা মতমগী মনুংদা শোয়দনা লোইখ্রগদবা ৱারী ঙাক্তনি হায়না লৌরুবনি অদুবু ৱাফমসি তরাইনা লৌবা য়ারক্ত্রে। মসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরদা হকথেংননা উন্নদুনা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসি খঙহনখ্রবনি। মদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মশামক য়াম্না ঙকপা থৌওংনি হায়না ফোংদোরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱাফম অদু ফোংদোক্লুবা মতম অদুদা বিজেপিগী প্রসিদেন্ট মশামকসু য়াওবা মরম্না হায়রিবা ৱাফমশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবা ঙাক্তনি হায়না মহাক মশাদা ফোংদোরকখি হায়নসু রাজনাথনা হায়খি। মহাক্কী মচানুপাবু রাজনিটিদা চিংশিন্দুনা হায়রকখিবা শেমজিন শাজিনবা ৱাফমশিং অদু য়াম্না মুন্না খঙই হায়না ফোংদোকপগা লোইননা রাজনাথনা করিগুম্বা খ্বাইদগী পীকপা থৌওং অমদগী মহাক্কী মথক্তা মরাল শিরকপা মতমদা প্রমান পীবা ঙম্লগদি শোয়দনা পোলিটিক্স খক্তা নত্তনা মীয়ামগী মীরক তিনবা ঙমদনবা মফম অমদা লৈখিগে হায়নসু শিংনবগা লোইননা ফোংদোকখি হায়রি।

## ইথনিক ইসুগী মতাংদা রিয়াংশিংনা তুং কোইগদবা থৌরাং অমা য়াৎপা পাল্লি

**অগরতালা, আগষ্ট ২৭ ঃ** মিজোরামদগী লাঞ্জেন্নরকপা চহি ১৭ লোম ত্রিপুরাদা লৈবা রিফ্যুজি কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরম্বা মীওইশিংনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা সরকারগী ওইবা টিম অমা থারক্তুনা লৈহৌমীশিংগী থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং অসি মতম চুপ্পগী ওইনা লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে হায়রি।

হৌজিক হৌজিকসু ১৯৯৭ গী ওক্তোবর থা মতুংদগী মথং মথং থোক্লককপা থৌদোকশিংদা রিয়াং ত্রাইবেলশিংগী মীওই ৩৫,০০০ রোম লমদম অসিগী কেম্পশিংদা খুদোংচাবা ফংগদ্রা খন্দুনা ঙাইরি। রিয়াংশিং অসি ওক্তোবর ১৯৯৭ দা মখোয়গী খুলশিং থাদোক্তুনা নোংচুপথংবা মিজোরামগী শরুক্তগী লাকখিবনি। অদুবু রিয়াংশিংনদি হৌজিক মখোয় অৱাংথংবা ত্রিপুরাগী শরুক্তা শাদুনা লৈরিবা রিফ্যুজি কেম্পশিংদা মীওই কয়া অমা লৈদুনা পার্মনেন্ট ইথনিক প্রোব্লেম অসি য়ান্নবা অমা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না মিজোরামগী সেক্রেটরি ব্রুলোমেশাদা লমদম অদুদগী লাঞ্জেন্নখ্রবা শেল থুমগী শক্তি ৱাৎলবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংশিং অদুগীসু খনগদবনি হায়না থমখি।

রিফ্যুজিশিংনা তাল্লিবা দাবীশিংগী মনুংদা চহি অনি ফ্রি ওইনা চান থক্লবা পোৎলমশিংগা লোইননা চপ চাবা সিক্যুরিটি পীফম থোকই। হায়রিবা চহি অনি অসিদা লেপ্তুনা চানবা পোৎলমশিং অদু অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা হোৎনবা তাই।

এমবিদিএফ কী লুচিংবশিংনসু অহেনবা থবক পীননবা অমসুং চহি অনি লেম্না চীঙ্গাকশিং পীজদুনা ত্রেনিং তৌহন্নবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু ব্রু শিং অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং অসি ফগৎপা লৈতবনা অতোপ্পা হিরম কয়া অমা পায়খৎপগী মথৌ তাই হায়না ফোংদোকখ্রে হায়রি।


FIRST TIME IN MANIPUR
→ LESAR MACHINE
→ CPM FOR (B.P. STROKE)
AT
CENTRAL PHYSIOTHERAPY CENTRE
Address : Sagolband Tera Loukham Leirak, Imphal West, Manipur

FACILITIES :
- PIVD (KHWANG NABA) (DISC PROLAPSE)
- FROZEN SHOULDER (SAYENG NABA)
- POST STROKE (PARALYSIS) (HEMI PARALYSIS)
- BELL'S PALSY (MAI CHINGBA)
- DOWN SYNDROME (CHINESE FACE)
- CEREBRAL PALSY
- GBS ( GULLIAN BERRE SYNDROME)
- FOR DETAILS :
- CONTACT : 7308749608

ATTENTION*** ***ATTENTION
NEW GENERAL FOUNDATION COURSE
ADMISSION IS GOING ON FOR IX, X, XI & XII
New batch Starting
CONGRATULATION TO ALL THE TOP SCORER CTCians IN COHSEM/2014





Special FREE COMPUTER CLASS for first 30th students
√ Free study Materials √ Weekly unit test for all subjects
√ Examination technique for scoring high mark √ Free suggestion for all subjects.
Va- service also available
AMP Complete Tutorial Centre
a branch of AMP E-SERVICES

GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102
* Gourahari Market, Paona Bazar, Opp. Pratap Talkies, behind pologround
* Old Lambulane, Opp. G.P. Womens College.
Better Education, Better Life
Projector Facilities
Learn & speak English with a good command
No. 1. Quality Based Training Institute
Choose the best, no further regrets
A SPOKEN ENGLISH COURSE + FREE 1 MONTH COMPUTER COURSE
Learn computer Internet Free
New Classes begin, enrol today.
Class only for seniors (30 yrs above) in the Evening
Highly Qualified & Long Experienced Instructors : Tejkumar, Bitam, Naobi